# অহানবা পন্দুপ

# অহানবা পন্দুপ

## ১.১ নীলবীর শাস্ত্রীগী পুন্সী অমসুং থবক

১.১.১ নীলবীর শাস্ত্রীনা মহৈ তমলকপা

১.১.২ ওঝা অমা ওইনা

১.১.৩ য়ূম পানবা

১.১.৪ মণিপুরী সাহিত্যদা তৌরম্বা খুদোল (অবদান)

১.১.৫ সাহিত্যগী ওইবা সংস্থানশিংগা লৈনবা মরী

# অহানবা পন্দুপ

## 'নীলবীর শাস্ত্রীগী পুন্সী অমসুং থবক'

১.১ শ্রী শিজগুরুমযুম নীলবীর শর্ম্ম শাস্ত্রী ১৯২৭ ওক্টোবরগী তাং ২৮, ঈরাই নুমীৎ, সংক্রান্তি ১৮৪৯/৬/১১ দা চৈ থাবা, লাঙথেল ঙৌবগী কুমদা ব্রহ্মপুর ভাগ্যবতী লৈকাই, ইম্ফালদা পোকই। অপোকপগী মিংনা মনি শর্ম্ম, অপোকপীগী মিংনা হঞ্জবম নীঙোল মাইপাকপী দেবী কৌই। নীলবীর শাস্ত্রীগী মচীল-মনাউ অহুমনি। মচীল-মনাউ অহুমগী মনুংদা মহাক্না য়াইমনি, মথক্তা ময়াম্বা - ইবোচৌ (জাতিশ্বর) শর্ম্ম অমদি মখাদনা মচলনুপী থম্বাল দেবীনি। নীলবীর শাস্ত্রীগী অঙাং ওইরিঙৈগী অতোপ্পা মিং ইবোমচা কৌই, লৈকাইগী মীশিংনা 'তাইচা' হায়না কৌরম্মী।

নীলবীর শাস্ত্রীগী অপোকপা শিজগুরুমযুম মনি শর্ম্ম ব্রহ্মচারীমযুম তোলঙৌ শর্ম্মনা নাউকোল্লকই। নীলবীর শাস্ত্রীনা চহী অহুমলোম শুরকপদা মখৌ তোলঙৌ শর্ম্মা লৈখিদ্রে। তোলঙৌ শর্ম্মগী নূপী, য়ুমজাওবী দেবীদি (মবেনপোক) মহাক্না ময়ূম পাল্লবা মতুং ফাওবা হিংলম্মী। নীলবীর শাস্ত্রীগী অপোকপা মনি শর্ম্ম হীদাক লাংথক শেমদুনা মাইবগী শিনফমদা অনা-লায়েংবগী থবকশিং তৌরম্মী। মতমদুগী ব্রহ্মচারীমযুম অসি শ্রী গোবীন্দগী পুজারী ওইবা য়াবা অফবা শাগৈনি হায়না লৌনরম্মী। নীলবীর শাস্ত্রীগী ইমুং অসি মতম অদুদা লৌ-শীং খরা লৈরবসূ

শেল-থুমগী অৱাবদি মায়োক্লরম্মী। অপোকপা মনি শর্ম্ম পুজারী (চাক থোংবা) গী থবকসু তৌরম্মী লোয়ননা মথৌনা মরিংজেল লৈবা, মীনা লাকচবা য়াদবা মীশক অমনি। মতৌ অসিগুম্না নীলবীর শাস্ত্রীসু মীনা লাকচবা য়াদবা, থবক থৌরমদা ঈচঙ থৌবা অমদি নীংহন্নবা লৈতবগী গুণ চেল্লি।

অপোকপী মাইপাকপী দেবীসু মৈতৈ নূপী অমগী গুণ চেনবীনি। নূপী অমা ওইনা যূমগী থৌ পুবগী মথক্তা শেল থোক্লনবগী শিনফমদা থবক কয়া শূদুনা মপুরোইবগী মতেং পাংলম্মী। ফিশা লোনশা, ফনেক ময়েক নাইবা, মপাল লোনবা অমদি কান্থ তূবগী থবক তৌরম্মী। নিংথমথাগী মতমদদি নোংমদা কান্থ অমমম তূবা ঙম্নবা হোৎনরম্মী। তশেংনমক তূম্বা মচেৎ- চাবা মচেৎ, নূপী অমগী থৌনা লিংজেল পুথোক্তুনা পোত্থাবা লৈতনা থবক শূরম্মী। অসুম্না থবক কন্না শূদুনা যূম পানবগী লম্বীদা মচাশিংবু চীকোন-নাউকোন্দুনা পুন্সী লেনখি। অৱা মচা লেম্না মাঙদে নারক্লগা কুইনা পুন্সীদে হায়নবগুম মাইপাকপীগী পুন্সী য়াম্না তেনখি, মশাগী চহী ৪০ শুবদা নোঙ্গাখি। মচা অহুমগী মনুংদা মচানূপা অহল ইবোচৌ শর্ম্ম (জাতিশ্বর) সূ মশাগী চহী ১৮ শূবদা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদ্রে। মচানূপী থম্বাল দেবী অমদি নীলবীর শর্ম্ম মচীল-মনাউ অনীতমক ঙায়হৌই। অপোকপীনা লৈতবা মতমদা নীলবীর শাস্ত্রী মশাগী চহী ১৮ দমক ঙায়রি। অদুবু অপোকপা অমদি মবেনপোক যুমজাওবী মখোয় অনী লৈবনা খরদি থম্মোই চাউথোকচরম্মী। নীলবীর শর্ম্ম অপোকপী মমাবু য়াম্না নুংশিজরম্মী অদুবু লাইবক থীবদি মতম শাংনা লৈমিন্নবা ফংখিদে।

ইমুংগী অৱাবা কয়া উরুবনা অইবনা লাইরিক তমনবা হোৎনবদা মনীং থুংখিদে। অদুবু মদুমক্তা মহাকপু নমথবদি ঙমখিদে, নীংহন্নবা লৈতনা মথৌনা পুথোক্তুনা মহাক্কী অঙম্বা থাক্তা মহে তম্নবা হোৎনখি। মচীল-মনাউ অহুম লৈরম্বদগী ময়াম্বা লৈখিদ্রবদা মচলনুপীগা মহাক্কদা ঙায়হৌবা অসিমক য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওখি। মহে তম্বদা হোৎনদবা য়াদ্রে খন্দুনা মীরমদা লৈরিঙৈ মতমদা অপোকপী লৈখিদ্রবা ফাওবা হনবা লৈতনা লাইরিক তম্নবা হোৎনরকখি। মতৌ অসিদা অপোকপনা অথিংবা পীবগী মহুত্তা থৌনা হাপখি।

## ১.১.১ নীলবীর শাস্ত্রীনা মহে তম্লকপা :

নীলবীর শর্ম্মা শিংজমৈ থোকচোম লৈকাই, ইম্ফালদা লৈবা পেটিগ্রু এল পি স্কুলদা (১৮৯৪) অহানবা ওইনা লাইরিক তম্বা হৌখি। স্কুল অসিদা ক্লাস টু পাস তৌরকখি। মথংদা ইউ. পি. স্কুল মোইরাংখোমদা ক্লাস থ্রীদা মিং চল্লগা মথং মথং পাস তৌরবা মতূং তোম্বীসনা হায়স্কুল (১৯৩২) দা ক্লাস ফাইভ তম্লকখি।

য়াম্না নুংঙাই য়াইফবা ইমুং ওইদবনা লাইরিক তম্বগী খরচ পুবদা খরা ৱানা থোকখি। ইমুংগী অৱাবা উবদগী সংস্কৃত তম্লগে খনখি। মতমদুদা সংস্কৃত তম্বদা স্কুলগী ফী হুন্দে মদুগী খুদোংচাবা য়েংলগা সংস্কৃত তমগে খনখি। ব্রহ্মপুর নহাবম লৈকাই, ইম্ফালদা লৈবা সংস্কৃত বিদ্যালয়াদা মিং চন্দুনা সংস্কৃত তম্বা হৌখি। মতম অদুদা জপান লান ইম্ফালদা তাং ১০/৫/১৯৪২ দা বোম তারক্তুনা লান কায়রম্মী। অনীশুবনা তাং ১৬/৫/১৯৪২ দা ইম্ফালদা তাখি। মথংদনা খ্বায়দগী চাউনা অৱাবা নংখিবা বোমনা তাং ১১/৫/১৯৪৪ দা তাখি। অসুম্না জপাননা

ইম্ফালদা বোম থাদবগী লান মরকসিদা মহৈ তম্বগী লমদা অকায়বা লৈখি। লান হঞ্জিন্নরক্লবা মতূং খৃ: কুম: ১৯৪৪ দা অমুক হন্না লাইরিক তম্বা হৌখি। শাস্ত্রীগী অহানবা চহী প্রথমা পাস তৌরবা মতুং মশাগী চহী ১৮ শুরকপদা অসামগী নলবাড়ী সংস্কৃত কলেজদা তাং ১২/১১/১৯৪৫ ইংদা মখা তমথনবগীদমক চৎলম্মী। নলবাড়ীদা সংস্কৃত তম্লিঙৈ তাং ৯.১২.১৯৪৫ ইংদা মযূমদগী মমা মশা ঙমদবগী টেলিগ্রাম অমা লাকখি। নুমীৎ অসিমক্তদা মযূম য়ৌদ্রিঙৈদা অপোকপী মমা মাইপাকপী দেবী মশাগী চহী ৪০ শুরকপদা সংসারদগী বিদাই লৌখী। অপোকপীগী শ্রাদ্ধা লোইরগা ইম্ফাল থাদোক্তুনা অসামগী নলবাড়ীদা অমুক হন্না সংস্কৃত তম্বা চৎখি। খাঙবা কনবা, থৌনা ফবা, হোৎনবদা নীংহন্নদবা মীশক্নি। অৱাবা খূদিংমক নাথৈদুনা থল্লগা তূম্বা মচেৎ - চাবা মচেৎ লাইরিক্তা মায়পুননা হোৎনবা হায়বসিনা মহাক্কী হৈনবী ওইরকই। অসুম্না হোৎনজমলগী মহৈনা অসামগী সংস্কৃত কলেজদগী ইং ১৯৪৬ তা সংস্কৃততা ‘প্রবেশ’ পাস তৌখি। ইং ১৯৪৭ তা ‘অসাম সংস্কৃত পরিষদতগী ব্যাকরন শাস্ত্রী উপাধি ফংখি অমদি ‘শাস্ত্রী’ পাস তৌখি। শেল-থুমগী ফীভমদা পুন্সীবু অরেম্বদা মাঙহনবগী মহুত্তা মী ওইদবা য়াদে হায়বা ৱাখলনা লমজিংবা মায়কৈদা পুবদগী হোৎনজমলগী মহৈনা মীয়াম্না হান্না মশাগী মিং নীলবীর শর্ম্ম হায়না খঙনরম্বদগী নীলবীর শাস্ত্রী হায়না খঙনখি।

হোৎনবদা নীংহন্নবা লৈতবা অমদি  মহৈ তম্বদা অরোইবা লৈতে হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা ৱাখলনি। সংস্কৃতখক্তা নত্তনা হিন্দীদসু এলাহাবাদকী হিন্দী বিদ্যাপীঠতগী প্রবেশ পাস তৌখি। মদুগী মতুংদা ইং ১৯৫০ দা রাষ্ট্রভাষা প্রচার সমিতি, ৱার্ধাদগী ‘রাষ্টভাষা রত্ন’ পাস তৌখি। বেনারস হিন্দু বিশ্ববিদ্যালয়দগী

মেত্রিক্কা মান্নবা ‘এদমিসন’ পরীক্ষা থাদুনা ইং ১৯৫৪ দা সেকেন্দ দিভিজন্দা মায় পাকখি।

অসুম্না হোৎনবা লেপ্তুবা, মহৈ হায়বসি তম্বগী লোইবা নাইদে হায়বগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা হোৎনরকপনা অচঙবা মী অমা ওইখি। ইমুংগী অৱাবগী লানফমদগী থৈদোক্তুনা হোৎনজবগী মহৈনা সংস্কৃত, হিন্দী, এদমিসন অসিনচিংবা মহৈগী থাক অসি মায় পাকপা ঙমখি।

মশাগী মহৈগী থাক-

১. ক্লাস ফোর পাস (১৯৪০)

২. সংস্কৃত - ‘শাস্ত্রী’ (১৯৪৭)

৩. হিন্দী - ‘রাষ্ট্রভাষা রত্ন’ (১৯৫০)

৪. এদমিসন - (১৯৫৪)

মহাক্কী হোৎনজমলদগী, মশাগী মহৈগী থাক অসিফাওবা য়ৌবা ঙমখি।

## ১.১.২ ওজা অমা ওইনা:

নীলবীর শাস্ত্রীনা সংস্কৃত অমদি হিন্দী তম্বা লোইশিল্লবা মতুং ফেব্রুৱারী ১, ১৯৫১ আনন্দসিংহ একাদেমী (১৯৪৭) দা শ্রী লাইশ্রম অচৌ সিংহ (এম. এ. ইকোনোমিক্স) না প্রিন্সিপাল ওইবা মতমদা হিন্দিগী ওঝা ওইনা থবক তৌবা হৌখি। আনন্দসিংহ একাদেমী স্কুলদা চহী ৩০ ওঝা ওইনা লৈরম্লবা তুংদা থাঙমৈবন্দদা লৈবা খোয়াথোং হায়স্কুলদা জূন ১০, ১৯৮১ দা ট্রান্সফার তৌখি। স্কুল অসিদা

চহী ৪ রোম ওঝা ওইরন্নগা স্কুলসিদগী থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা ইং ১৯৮৬ তা শ্রীদ্বিজমণি দেব শৰ্ম্ম সংস্কৃত মহাবিদ্যালয়দা প্রিন্সিপাল ওইনা থৌ পুবা হৌখি। ওঝা ওইবগী শিনফমদা অফবা ওঝা অমা ওইনা শক খঙদুনা জাতিগী থাক্তা এৱার্ড পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। ওঝা অসিনা ফংখিবা এৱার্ড খরদি :

১. রাজকুমারী স্নাতোম্বী এৱার্দ ( মে, ৫, ১৯৮৬)

২. নেস্লেল এৱার্ড ফোর টিচর ( মে, ১৯৮৮)

১. অফবা ওঝা অমা ওইনা ঈকাই খুম্নবা উৎপদা পীরকপা রাজকুমারী স্নাতোম্বী এৱার্দ ফংলকপগী অভিনন্দন পত্রদা অসুম্না ইরি। মদুদি -

*হে ওজা অথোইবা,*

*কুমশী চহীদা মণিপুরগী হায়স্কুলগী ওজাশিংগী মরক্তা মতীক চাবা ওজা অমনি হায়না খনগৎতুনা রাজকুমারী স্নাতোম্বী এৱার্দ পীরকপা অসিদা ঐখোয় ছাত্র-ছাত্রীপূম্নমক্না নহাকপু তরাম্না তরাম্না ওকচবগা লোয়ননা অভিনন্দন পত্র অসি কচ্চরি।*

*নহাক্তি লৈবাক্না মশক খঙলবা ওজা অমনি। অসিগা লোয়ননা শকখঙলবা সাহিত্যকার অমসুং সমাজ সেবীনি। নহাক্না পুন্সিগী শিনফম অমা ওইনা ওজাগী থবক তৌদুনা মহৈ লাইরেম্বীগী সেবা তৌরকই অমসুং মহৈরোয় লিশিং লিশিংদা লৌশিংগী মৈরা চুখৎপগী থৌদাং লৌরকই। নহাক্না থম্মোয় শেংবা অমসুং থৱায় যাওনা তম্বীবগী থবক তৌরকপদা মদুবু নঙোন্দা শক খঙবীবা ওইনা অফবা ওজা অমনি হায়না খনগৎপীদুনা মমল যাম্নবা এৱার্দ অসি পীরকপা অসিদা নহাক্কী ছাত্র-ছাত্রী ওইরবা ঐখোয় পূম্নমক্না ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।*

*নহাক্কী য়াইফবা অমসুং অশাংবা পুন্সি পীবিনবা ঈশ্বরদা ঐখোয় পূম্বনা প্রার্থনা তৌজরি।*

*ইম্ফাল,* *নোল্লুকচরিবা*
*তাং ৫/৯/'৮৬ ইং* *ছাত্র-ছাত্রীশিং*
*ওজাগী নুমিৎ* *খোয়াথোং হায়স্কুল, ইম্ফাল*

ছাত্রশিংবু ফহন্নবা হোৎনবদা থৱায় য়াওনা হেক পোকচবা মচাগুম লোয়নদুনা লমজিং লমতাকপীবা হায়বসি মহাক্কী ৱাখল্লোননি। ছাত্রশিংবু মোরেল লেসন তম্বীবা, লোয়ননা সোসিএল সার্ভিস কয়া তৌমিন্নদুনা মখোয়বু লাইরিকখক্তা নত্তনা অফবা লম্বীদা পুরক্লুবা হোৎনৈ।

অসুন্না অফবা ওঝা অমগী গুণনা মনা কয়া লৌরগা ওঝা অমগী শিনফমদগী পোত্থারবা তুংদসু তূমিন্না লৈথোকখিদে। 'দ্বীজমনিদেব শর্ম্ম সংস্কৃত মহাবিদ্যালয়া' দা প্রিন্সিপাল ওইনা লৈদুনা সংস্কৃত চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌখি। শঙ্গায়পাত্তা লৈরিবা 'দ্বীজমনিদেব শর্ম্ম মহাবিদ্যালয়' অসি মশামক্লা যাত্রা হুন্দুনা সংস্কৃতপু চাওখৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী। নীলবীর শাস্ত্রী ওঝা অমা ওইনা য়াম্না চম্না পুন্সী লেনখি। ওঝাগী শিনফমদগী হৌরক্লগা পুন্সীগী অরোইবা শরুক ফাওবা ওঝাগী শিনফমদা লৈখি।

## ১.১.৩ য়ূম পানবা :

আনন্দ সিংহ্ একাদেমীদা ওজা অমা ওইনা ১৯৫১ দা থবক তৌরবা মতুং চহী অসিমক্তদা য়ূম পানবগী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লকখি। লোয়নবীগী মিংনা মনোহরময়ুম জয়সখী দেবী, নোংমৈবূংদগীনি। জয়সখীগী অপোকপগী মিংনা ইবোচৌবা শর্ম্মনি, মধৌগীনা বাবুচৌবা শর্ম্মনি। মহাক শ্রী শ্রী গোবীন্দগী গীতা থীবগী থবক তৌই। মতমদুগী ওইনা শ্রী শ্রী গোবীন্দগী থৌগল ফংজবা য়ূম্নাক শাগৈশিং অসি শাগৈ জাৎ অফবনি হায়না লৌনরম্মী। নীলবীর শাস্ত্রীগী 'শিজগুরুময়ুম' য়ূম্নাক অসিসু শ্রী শ্রী গোবীন্দগী পুজারী ওইবা য়াবা অফবা ব্রাহ্মন শাগৈনি হায়না লৌই। মহাক্না থবক তৌবা চহীদুমক্তদা জয়সখীগা হায়না শীংনবা অসিদা অপোকপা অমদি মধৌনা মশুনূপীবু থাজনীংবগী অয়াবা পীরকখি। শাগৈ - জাৎ ফবতা নত্তনা লাইরিক-লাইশু হৈবা, লোয়ননা ওজা অমা ওইনা থবক তৌবা অসিদা থাজনীংখি।

জয়সখী ১৯৩৪ ইঙেনগী ১৭ নি পানবা ঈরাই নুমিত্তা তাইবঙদা খোঙদারকই। ঈং তপ্পা, মশক মতৌ ফজবী নূপী ওইবীগী গুণনা লৈতেংবী লাইরিক লাইশুদা মতীক চানা তমহৌদ্রগসু খূৎ-শা হৈবী, য়ুম্বাললোন খঙবী অমনি। মশাগী চহী ১৭ শুবদা হায়না শীংনদুনা নীলবীর শাস্ত্রীগী পুম্সীগী খোঙলোয় ওইনা লাকখি। নীলবীর শাস্ত্রীনা জয়সখীদগী চহী ৭ হললী। মপুরোইববু ব্যবহার থমদুনা য়াম্না ঈং তপ্পা য়ূম পাল্লম্মী।

নীলবীর শাস্ত্রী অমদি জয়সখী, মখোয় অনীগী মচানূপা অহুম অমসুং মচানুপী মঙা পূননা মচা নীপাল (৮) নি।

মচাশিং অদুদিঃ

**মচানূপাশিংঃ**

১। শিজগুরুময়ুম বেদেশ্বর শর্ম্ম (১৯৫২-)

২। শিজগুরুময়ুম তরুনকুমার শর্ম্ম (১৯৫৫-)

৩। শিজগুরুময়ুম শশীকান্ত শর্ম্ম (১৯৭৩-)

**মচানুপীশিংঃ**

৪। শিজগুরুময়ুম বাসুমতি দেবী (১৯৭৫-)

৫। শিজগুরুময়ুম রঞ্জনা দেবী (১৯৫৭-)

৬। শিজগুরুময়ুম সোবীতা দেবী (১৯৫৯-)

৭। শিজগুরুময়ুম উষারানী দেবী (১৯৬২-)

৮। শিজগুরুময়ুম সন্ধ্যারানি দেবী ( ১৯৬৫) মখোয়শিং অসিনি।

## ১.১.৪ মণিপুরী সাহিত্যদা তৌরম্বা খূদোল (অবদান) ঃ

অহানবা ওইনা সাহিত্যগী লমদা কলম পায়বা হৌরকখিবা অসি তোম্বীসনা হায়স্কুল (১৯৩২)দা ক্লাস ফাইভ তল্লিঙৈগী মতম ইং ১৯৪০ দা 'থম্বাল'গী মরমদা শৈরেং অমমম ইনরকপদা মহাকসু শৈরেং অমা ইখি। অথোই অহেন তান্নখিবা শৈরেং অদুদা মহাক্লা অনীশুবা মনা ফঙখি। মসিদগী ইনীংবগী ৱাখলগী ইপোম লাংবা হৌরকখি। মসিগী মমাঙদা চুরাচান্দ মহারাজগী মতমদা কোনুংগী দরবার

হোলদা সাহিত্যগী ওইবা ইংলিস অমদি মণিপুরীদা শৈরেং থীবা তান্নবগী থৌরমদা মহাকসু খল্লকখি। **'অপোকপী'** কৌবা খূৎনা ইবা মেগাজিন অমা ইং ১৯৪৪ দা ফোঙখি। মদুদা সুরচান্দ শর্ম্মা, হিজম গুণ, ই. সোনামনিনচিংবগা লোয়ননা নীলবীর শাস্ত্রীনা ৱারেং শৈরেং ইবা হৌখি। অসুম্না অইবনা অঙনবা মতমদগী কলম পায়বা হৌরকখি। মথংদা ইং ১৯৫১ দা নীলবীর শাস্ত্রী অমসুং নীলকান্ত মখোয় অনী পূল্লগা **'মীৎয়েং'** কৌবা চেফোঙ ফোঙলম্মী। চেফোঙ অসিদা নীলবীর শাস্ত্রীনা সহ-সপাদক ওইরম্মী। অসুম্না চেফোঙ অমদি শৈরেংগী অথোই অহেন তান্নবগী ইখিবা অসিদগী অইবগী থম্মোয়দা সাহিত্যগী ক্ষেত্রদা খোঙদাররুবগী অচৌবা ইথিল অমা পীরকই। শৈরেং, ৱারেং, ৱারীমচা অমদি হন্দোকপগী লমদা খূৎ থারকই।

অইবগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং অসি অসুম্না মখল খায়দোকপা য়াইঃ ১. শৈরেং, ২. ৱারীমচা, ৩. ৱারেংগী লাইরিক/আর্টিকল ৪. অনুবাদ অমসুং ৫. হিন্দীগী তম্নবা লাইরিকশিং অসিনি।

১. শৈরেংগী লাইরিকশিংঃ
    ক. **অহিং লিক্লা** (১৯৫১)
    খ. **খোংজোম তীর্থ** (১৯৬০, খণ্ড কাব্য)
    গ. **ঈথক - ইপোম** (১৯৭২, যামিনী সুন্দর গুহ গোল্ড মেদল, ইং ১৯৭৩দা পীখ্রবা)
    ঘ. **সন্ধ্যাগী ঈশৈ** (১৯৯০)
    ঙ. **রজনী গন্ধা অমসুং অতৈ শৈরেংশিং** (২০০১) অসিনি।

কবিগী শৈরেংশিং অসি মণিপুরী সাহিত্যগী লৈকোলদা মফম চাউনা কন্দুনা থল্লি। শৈরেংশিং অসি অচম্বা লোন্দাদা নীংথিজবা মওংদা শৈথারকই। মরু ওইনা শৈরেংশিং অসিগী হীরম কয়াদা মখল-মথেল কয়াদা মরুওইনা পোক্লফম লমদমবু নুংশিজবা, মরৈবাক মজাতিবু নুংশিজবগী মশক অমদি মীওইবগা প্রকৃতিগা লৈনবা মরী, লোয়ননা মীওইবগা ঈশ্বরগা লৈনবা মরী অসিনচিংবদা কবিনা হৈ-শিংবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা মাগী শৈরেংশিং খূদোল তৌরম্মী।

২. ৱারীমচাগী লাইরিকশিংঃ

ক. **বাসন্তী চরোং** (১৯৬৭)

খ. **তৎখ্রবা পুন্সী লৈপুল** (১৯৮৬)

গ. **কায়খ্রবা আশাগী মঙলান** (১৯৯৭) অসিনি।

শৈরেংখক্তা নত্তনা ৱারীমচাদসু শীংথাবা য়াবা অইবা অমনি। অইবগী ৱারীমচাশিং ফোঙলকপদা ৱারীমচা ইবা অমা ওইনসু শক খঙনখি। মহাক্কী **‘তৎখ্রবা পুন্সী লৈপুল’** হায়বা ৱারীমচাগী লাইরিকসিদা রাজ্য অমসুং জাতিগী থাক্তা অইবগী ৱারীমচাশিং অসিদা, নুংশি নুংওলগী, ইমুং-মনুংগী, লায়রবা তোল্ল-তারবশিংগী সমস্যা, শেঙ্গা-থুমজা, থবক ফংদবগী, নহারোলশিংগী পুন্সীদা থেংনরিবা অৱা-নুংঙাইগী মশক কয়া উৎননবা হোৎনৈ। অসিদা নত্তনা, সমাজদা শোত্থনা হিংলিবা মীওইশিংগী অৱাবা, নূপীশিংগী লমচৎ-শাজৎনচিংবা লান্থোরকই। হৌজিক্কী মণিপুরী সমাজগী অচুম্বা মশক কয়া অইবগী ৱারী মচাশিংদা উৎলী অমদি অয়ুক

নুমিদাংদা শীজিন্নরিবা অচম্বা লোলনা মপূং ওইনা ফোঙদোকই। মণিপুরী সাহিত্যদা নীলবীর শাস্ত্রীগী ৱারীমচাগী মফম অমা চাউনা কন্দুনা লৈ।

৩. অনুবাদগী লাইরিকশিংঃ

ক. **থাগী চীং** (১৯৯৮), (উপন্যাস, বিভুতিভুষন বন্দোপাধ্যায়না - বাঙ্গলা লোন্দা 'চাঁদের পহাড়') গী অনুবাদ অমদি

খ. **কম্বন** (২০০১) (তামিল কবি কম্বননা ইরম্বা মহাকাব্য রামায়নবু নৈনবা এস. মহারাজননা ইংরেজিদা ইবদগী মণিপুরী অনুবাদ)

অসুম্না কবিনা হন্দোকপগী লমদসু মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্কেদা অচৌবা দান অমা তৌরম্মী।

অসিদসু নত্তনা তম্নবা লাইরিক খরদা চোইজাইননা হাপখ্রবা ৱারেং অমদি ৱারীমচা খরদি:

১. **লুচিংবশিংগী নহা ওইরিঙৈ** (১৯৫৩),
২. **ভারতকী মঙাল** (১৯৫৭)
৩. **ভারতকী অচৌবশিং** (১৯৬৬) - দা (ৱারেং হাপখিবা 'বিনোবা ভাবে')
৪. **পরিষদকী খঙ্গৎলবা ৱারীমচা** (১৯৭৫) - দা (ৱারীমচা হাপখিবা 'তৎখ্রবা পুন্সী লৈপুল', 'লৌখৎপা')

ৱারেং, শৈরেং অমদি ৱারীমচা খরসু মণিপুরী চেফোঙ খরদা হাপখি।

১. সাহিত্য (১৯৬৪) ‘শৈরেং অনি’ (শৈরেং) লা. ৪৬
২. ঙসি (১৯৪৯) - ‘কৌজবা’ (শৈরেং) লা. ৩২/৩৪,
৩. ঙসি ১৯৪৬ - ঙাল্লখোনে, (শৈরেং) লা. ২১/২২
৪. ঙসি (১৯৪৬) ‘ছাত্র অমা’ (শৈরেং) লা. ১৬
৫. জ্যোতি ঃ (১৯৪৮) - ‘অরেম্বনি মপোক্তো’ - (শৈরেং) লা. ১৫২/১৫৩
৬. ঋতু (১৯৫৯) - ‘নুমিৎ অদু কল্লকই ইমা’ (শৈরেং) লা. ১৫৯
৭. পঞ্জেন (১৯৬৩)- ‘অভিসারিকা’ শৈরেং (লা. ৬/৭)
৮. সাহিত্য (১৯৮০) - ‘প্রেমচান্দ অমসুং উপন্যাস’ (নৈন-ৱারেং)
৯. সাহিত্য (১৯৮২) - ‘ঐ মমানি’ (ৱারীমচা)
১০. সাহিত্য (১৯৮৯) - ‘কৌরকপসু য়াই’ (ৱারীমচা)

নীলবীর শাস্ত্রী মণিপুরী সাহিত্যদা অচৌবা দান তৌবীরমদুনা মফম অমা চাউনা কললিবা অইবনি। মপূংদা কবিতা অমদি ৱারীমচা ইবনি, লোয়ননা হন্দোকলোয় অমসুনি। অসিদসু নত্তনা মণিপুরী চেফোঙ খরদা ৱারেং ইদুনা খূদোল তৌরম্মী। অইবগী কবিতাশিংদা মরৈবাক, মজাতিবু নুংশিজবগী ৱাখল্লোন, মীওইবগা মহৌশাগা থাদোক্নবা য়াদনা লৈনরিবা মরী ঈশ্বরগা মীওইবগা লৈনরিবা মশকপু উৎননবা হোৎনৈ। অইবগী শৈরেংশিংদা অফবা মগুণগীদমক্তা মনা ফংখি। অদুগা ৱারীমচাশিংদা সমাজগী লৈরিবা নুংগী ওইবা, নূপীশিংগী মখল কয়াগী শক্লোনশিং, পুথোক্নুনা লান্থোরকই। ৱারীমচাগী মফমদসু য়াম্না চাউনা মফম অমা থমদুনা মনা ফংখি।

কবিনা মণিপুরী সাহিত্যদা তৌরম্বা খূদোলশিংগী মনুংদা **‘তৎখ্রবা পুন্সী লৈপুল’** হায়বা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিদা ‘মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী’ এৱার্ড ইং

১৯৮৯দা ফংখি। চহী অসিমক্তদা মহাক্কী লাইরিক অসিদা 'সাহিত্য একাদেমি নিয়ু দিল্লি'না পীবা সাহিত্য একাদমী এৱার্ডসু ফংখি।

১৯৭৩ দা কবি অসিগী অহানবা ওইনা **ঈথক-ইপোম** হায়বা শৈরেংগী এন্থোলোজি অসিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা 'যামিনী সুন্দর গুহ গোল্ড মেদল' মনা পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। মেদল অসিগী সাইটেসন্দা অসুম্না ইরি:

## মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ

শ্রী শিজগুরুময়ুম নীলবীর শাস্ত্রী, সাং ব্রহ্মপুর ভাগ্যবতী লৈকাইদা লৈবা অসিদা মহাক্কী **'ঈথক-ইপোম'** কৌবা ইং শোক ১৯৭২ দা ফোঙবা লাইরিক অসিদা অৱাংবা দেশপ্রেমগী আর্দশ য়াওবা অমসুং রহস্যবাদকী দর্শণগী মমি তাবা, হৌখিবা চহী অহুম অসিদা ফোঙখিবা লাইরিকশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী ফবা লাইরিক্কি হায়না খন্দুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা **যামিনী সুন্দর গুহ গোল্ড মেডল** অসি পীরি।

| | |
|---|---|
| ইম্ফাল | সভাপতি |
| তাং ২৯/৪/'৭৩ ইং | লৌরেম্বম ইবোয়াইমা সিংহ |

অসিগুম্বা লেমজনীংঙাই ওইবা মনা অসিবু ফংলকপদা হরাউবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা শ্রী শ্রী গোবিন্দজী নর্ত্তনালয়, ইম্ফালনসু অভিনন্দন পত্র পীরকখি। পত্র অদুদা অসুম্না ইরি:

**শ্রী শ্রী গোবিন্দজী নর্ত্তনালয়, ইম্ফাল,**

**অভিনন্দন পত্র**

*শ্রী নীলবীর শাস্ত্রীদা পীজবা*

*হে অথোইবা কবি! কুমসি চহীদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা মহাক্কী* ***'ঈথক-ইপোম'*** *কৌবা শৈরেং লাইরিকতা হৌখিবা চহী অহুমদা ফোঙখিবা লাইরিকশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী ফবা লাইরিক্তি হায়না খনগৎতুনা* ***যামিনী সুন্দর গুহ গোল্ড মেদল*** *কৌবা ৱাংলবা মনা পীদুনা সন্মান উৎলকপা অসিদা ঐখোয়না ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। নহাক্তি মণিপুরী ন্যাত্য কলাগী অচৌবা সেবী অমসু ওইরি। হৌখিবা চহী কয়াদগী হৌনা নর্ত্তনালয় অসিগী সেক্রেটরী ওইনা অচৌবা থৌদাং পুরক্লি। নহাক্কী লুচিং মখাদ নর্ত্তনালয়গী ওজাশিং অমসুং ছাত্রিশিংনা শেংলবা জগোয়গী কলা অসিবু উৎলুবা খুদিং মায় পাকচরক্লি। ভারতকী মফম কয়াদা মৈতৈগী মণিপুরী সাহিত্য পরষিদ অমসুং মণিপুর হিন্দী পরিষদনচিংবা লৈবাক্কী চাউরবা সংস্থান কয়াদা জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা নঙনা পীখিবা থৌদাং লৈবাক্লা খঙনরি। হৌজিক হৌজিকসু দিল্লিগী অখিল ভারতীয় হিন্দী সংস্থান সঙ্ঘগী কার্য্যকারিনীগী অমসুং ভারতকী সাহিত্য একাদেমীনা শেম্বা মণিপুরী লোনগী অদভাইজরি বোর্দকী সদস্যগী 'হে খোংজোম তীর্থ' গী অমর কবি নহাক্কী মচিন থৌবা খোর্জেদগী শিন্থরকপা দেশভক্তিগী ঈচেল ঙসিসু* ***খোংজোম তীর্থ***

*গী ঈমায় পানা চেল্লি। মৈতৈ সাহিত্য লৈকোলদা শাৎলি মাগী 'বসন্তী চরোং' শিন্থরি তত্তনা নঙগী **'অহিং লিক্লা'**।*

*হে অথোইবা কবি! ঐখোয়না ঙসি নুংঙাইরবা নুমিৎ অসিদা শ্রী গোবিন্দজীগী খুয়াদগী নহাক্কী মঙ্গল অমসুং অশাংবা পুন্সি নিজরি।*

*ইম্ফাল* *ওজাশিং অমসুং ছাত্রীশিং*
*তাং ২০/৫/'৭৩ ইং* *শ্রী শ্রী গোবিন্দজী নর্ত্তনালয়, ইম্ফাল*

অসিদসু নত্তনা মনা অসি ফংলকপগী, উরিপোক, নাওরেমথোং, ইম্ফালদা লৈবা প্রোগ্রেসিভ আর্টিষ্ট লেবোরেটরি (পাল, ১৯৭৫)না ওকপগী থৌরমদা পয়ানা শাবা লূকমায়দা থাগৎ ৱাহৈ ইদুনা কবিগী মফমদা হরাউ-নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী পত্রদা অসুম্না ইরি -

**গোবিন্দগী থাগৎ ৱাহৈ**
শ্রীশিজগুরুময়ুম নীলবীর শর্ম্মদা
পীবা অভিনন্দন পত্র
অচম্বা খুৎই খুৎ মানা
পুকচেল তিংনা শৈলাংবা,
যামিনি গুহ্ মনানা
শাস্ত্রী তম্ফা থোল্লবা,
সাহিত্য একাদেমি এৱার্দনা,
ভারতকী সনা কোনুংদা
সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ পী।
রত্নলক্ত লৈতেংবা,

লম্বি থিরিবা "পালনা"
নঙগী খোজ্জৈগী তোরৈ ইন
ফংজগে লৈমন খুঞ্জবা॥

১৯৯০ 'পাল"

পুন্নমকসিগী মথক্তা কবিনা লৈখিদ্রবা মতুং ইং ২০০৬ তা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা 'কবিরত্ন' উপাধি পীদুনা মণিপুরী সাহিত্যদা শৈরেংগী কলাবু মশক খঙবীখি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী, ইম্ফালনা ইং ১৯৮৮দা লিটরেচরদা এৱার্ড পীদুনা কবি অসিবু ৱারীমচা ইবা অমা ওইনসু খঙনখি। কবি নীলবীর শাস্ত্রীদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৯০ দা **জে. এন. মণিপুর দান্স একাদেমী,** (১৯৫৪) ইম্ফালগী হোলদা মতমদুগী মণিপুরগী রাজ্যপালনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা এৱার্ড পীবগী থৌরমদা সাইটেসন অমগা লোয়ননা লুপা ৫,০০০/- খুৎশিন্নখি। অসুম্না কবিনা তৌবীরম্বা অবদানশিংদা মনা কয়া ফংদুনা মণিপুরী সাহিত্যদা শক তাকখি।

## ১.১.৫ সাহিত্যগী ওইবা সংস্থানশিংগা লৈনবা মরী:

নীলবীর শাস্ত্রী থবক্কী মীনি, তুমিন্না লৈথোকপা হৈনদে, মী ওইনা পোক্লবদি লৈবাক্কী অমদি মীওইবগী সেবা তৌগদবনি হায়বসি মহাক্কী ৱাখল্লোন্নি। সাহিত্য, কলা-সংস্কৃতি অমসুং ধর্মগী ওইবা সংস্থান কয়াগা খুৎশম্নদুনা কথোকপগা লোয়ননা শীংথাবা য়াবা থবক কয়া পায়খৎখি। সংস্থান কয়াগী থৌ পুদুনা শেমগৎ-শাগৎপগী

থবক্তা থৌদাং য়ারম্মী, জাতিগী থাক্তা লৈবা সংস্থান কয়াগী মেম্বর ওইরম্মী। মরু ওইনা থৌদাং লৌরম্বা সংস্থানশিংদি:

১. মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল (১৯৩৫)
২. মণিপুর হিন্দী পরিষদ, ইম্ফাল (১৯৫৩)
৩. মণিপুর সংস্কৃত পরিষদ, ইম্ফাল (১৯৪৭)
৪. গীতা মণ্ডল, ইম্ফাল (১৯৫৬)
৫. শ্রী শ্রী গোবীন্দজি নর্ত্তনালয়, ইম্ফাল (১৯৫৮) অসিনি।

মশাগী চহী ২৫ শুবা মতম ইং ১৯৫২ দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী কার্য্যকারী সমিতিগী মেম্বর ওইরম্মী। লৈবাক্লা শক খঙলবা অহল-লমনশিংগী মরক্তা এলাংবম নীলকান্ত সিংহগা লোয়ননা নহা ওইনা সাহিত্য পরিষদতা য়াওখি। মহাক ইং ১৯৬০ দগী ১৯৬৩ ফাওবা পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইখি, মতম অদুদা সংস্থান অসিগী শেল-থুমগী ফীভম ফৎলমদে, আই. এ.দা তম্নবা মণিপুরী শৈরেংগী লাইরিক অমখক অরৈবা থৌনা পুথোক্তুনা সাহিত্য পরিষদনা ফোঙলম্মী।

মণিপুরগী ৱাংমদা অসাম, ত্রিপুরা, শিলচর, বাংলাদেশতা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ লিংখৎপা হায়বসি মহাক্কী অনীংবা পান্দমনি। ৱাফম অসিগা মরি লৈননা সাহিত্য পরিষদকী সেক্রেটরি ওইরিঙৈদা পণ্ডিত মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ, পিঐচ নন্দলাল শর্ম্ম অমদি নীলবীর শাস্ত্রী মশামক য়াওনা তাং ১৫/১০/১৯৬১দা ইম্ফাল থাদোকখি। তাং ১৬/১০/১৯৬১ দা হোজাইদা থুংলগা মিটিং অমা পাঙথোক্তুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অমা হাংননবা ৱারেপ লৌখি।

মথংদা তাং ১৭/১০/১৯৬১, নুংথিলগী পুং ৬ তা লক্ষিপুরদা মিটিং অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা মফম অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অমা হাংদোকপা হায়না য়ান্নরম্মী। অদুগা তাং ২০/১০/১৯৬১ দা লক্ষিপুরদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী শখা অমা লিংখৎখি। মসিবু অইবনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ইতিহাসতা সনাগী মচুনা ইদুনা লৈহৌরগনি হায়না ফোঙদোক্লম্মী। অসুম্না মথং মথং তাং ২১/১০/১৯৬১ জারিবন, হাইলাকান্দি অসিনচিংবা কয়াদা মিটিং পাঙথোক্লম্লগা তাং ২৪/১০/১৯৬১ দা ইম্ফালগীদমক শিলচর থাদোরকখি।

মহাক্না জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিঙৈদা শিলচরগী মথংদা ত্রিপুরাদা অমুক তাং ২০/১২/১৯৬৩ দা চৎলম্মী। মফমদুগী মীওই কয়া উন্নরগা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অমা হাংননবা হোৎনখি। হোৎনজরিবা অদুমক মায় পাক্লুনা তাং ২৭/১২/১৯৬৩ দা ত্রিপুরাদা লৈরিবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসি হাংখি। অসিদসু নত্তনা নীলবীর শাস্ত্রীনা অলমোরাদা চৎপা খোঙচৎ অমদা গৌহাটিগী মণিপুরী রাজবারীদা মেরাসিংহ অমদি মফমদুগী মীওই খরা উন্নদুনা নুমিদাংৱাইরমদা মিটিং অমা পাঙথোকখি। অদুগা মফম অদুদসু তাং ২৬/৫/১৯৬৬ তা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী মশা অমসু হাংদোক্লমখি। লোয়ননা মণিপুরগী মফম অতৈদসু সাহিত্য পরিষদকী মশা হাংদোক্লনবা কন্না হোৎনখি। অসিদা নত্তনা মহাক্না 'মণিপুর হিন্দী পরিষদ' (১৯৫৩) অসি মশামক্না শিলংদা চত্তুনা তাং ১৯/১০/১৯৫৮ দা ভারত সরকারনা মশক খঙনবা রেজিষ্টার তৌখি। অদুগা পরিষদ অসিগী টার্ম অনীরক সভাপতী ওইখি অমসুং সেক্রেটরিসু ওইখি। হিন্দী পরিষদকী **সাহিত্য মন্ত্রীগী,** থৌদাংসু তাং ৬/২/১৯৬০ দা লৌখি তাং ১৩/১/১৯৫৬ তা সেক্রেটরি ওইখি।

মণিপুর সংস্কৃত পরিষদ অমদি সংস্কৃত বিদ্যালয়গা অনী অসি থাদোক্লবা য়াদবা মরীনি। মণিপুর সংস্কৃত পরিষদ অসিগা লোয়ননা সংস্কৃত বিদ্যালয় অমা লিংখৎনব হোৎনবা হায়বসিনা মহাক্কী অচৌবা পান্দম অমা ওইরম্মী। সংস্কৃত মহৈ অসি হিংননবগীদমক্তা কন্না হোৎনখি। নীলবীর শাস্ত্রীনা অহানবা সংস্কৃত তল্লকখিবসি শ্রীদ্বিজমণি দেব শর্ম্মনা লিংখৎলম্বা গোবিন্দ চতুস্পঠী কৌবা মশামক্লা সেক্রেটরী ওইখিবা সংস্কৃত বিদ্যালয় অসিদা সংস্কৃত পণ্ডিত স্বর্গীয় শিবদত্ত শর্ম্মনা হেড পণ্ডিত ওইবা মতমদনি। মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী লিংখৎখিবা চহী ১৫ গী মতুংদা ইং ১৯৮২ দা মণিপুর সংস্কৃত মহাবিদ্যালয় অমা শ্রীদ্বিজমণি দেব শর্ম্মনা অহানবা প্রিন্সিপাল ওইদুনা লিংখৎখি। হৌজিক্লা শঙ্গাইপাত্তা **'শ্রীদ্বিজমণি দেব সংস্কৃত মহাবিদ্যালয়'** হায়না মমিং থোন্দুনা নীলবীর শাস্ত্রীনা সেক্রেটরী অমসুং প্রিন্সিপাল ওইনা থৌ পুরম্মী। মণিপুর সংস্কৃত পরিষদকী সেক্রেটরি অনীরক ওইরম্মী। মহাক্লা সেক্রেটরী ওইরিঙৈদা মহাকবি কালিদাসকী মরমদা সেমিনার তৌরম্মী। পুন্সীগী অরোইবা শরুক ফাওবা সংস্কৃত চাওখৎনবগীদমক কথোকপগা লোয়ননা থবক কয়া তৌরমখি।

নীলবীর শাস্ত্রি 'শ্রী শ্রী গোবিন্দজী নর্ত্তনালয়' -তাং ২০/১১/১৯৫৮ দা লিংখৎখিবা সংস্থান অসিগসু মতম শাংনা চহী ২০ মুক মরী লৈনখি। শ্রী জি. সুরচান্দ শর্ম্মনা সংস্থান অসিগী অহানবা সেক্রেটরী ওইখি। অদুগা মথংদা এলাংবম নীলকান্ত সিংহনা ওইখি। নীলবীর শাস্ত্রীনা, শ্রী শ্রী গোবিন্দ নর্ত্তনালয় (হৌজিক্লা, গভর্ণমেণ্ট ডান্স কলেজ) গী সেক্রেটরী অসি তাং ২৪/১০/১৯৬৫ দা ওইখি। অসিদা নত্তনা গীতা মণ্ডল, বিশ্ব হিন্দু পরিষদ, শ্রী শ্রী গোবিন্দজীগী ব্রহ্মসভা অসিনচিংবা ধর্ম্মগা

মরী লৈনবা সংস্থান কয়াদসু থবক কয়া তৌরম্মী। 'বিশ্ব হিন্দু পরিষদ' ভারতকী ওইনা চাউনা লৈবা সংস্থাননি। পরিষদ অসিগা চহী ৩০ মুক মরী লৈনদুনা অচৌবা কমিটি কয়াগী মেম্বরসু ওইখি। অমদি অৰাং নোংপোক্কী ওইনা অধ্যক্ষসু ওইখি। মশামক্না শীন্দুনা মণিপুরদা ১৯৮১ দা 'মণিপুর রাজ্য হিন্দু সম্মেলন' পাঙথোকখি লোয়ননা জাতিগী থাক্তা পাঙথোকপা পরিষদ অসিগী সেমিনার কয়াদসু শরুক য়াখি। কবিনা সাহিত্যগা মরী লৈনবা সংস্থানখক্তা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা সংস্থান কয়াদসু থৱায় য়াওনা মরী লৈনবা থবক কয়া তৌখি।

মণিপুরগী ৰাংমদা লৈরিবা মপান লমগী মণিপুরীশিংনা লৈবা মফমদা সাহিত্য পরিষদ হাংদোকপগা লোয়ননা মখোয়গা তৎন-থানবা য়াদবা মরী অমা পুরক্লবগীদমক সাহিত্যগী থৌরমশিংদা মপূং ফাননবা শরুক য়ারুই। মণিপুরী সাহিত্যবু নুংশিজবা, সাহিত্যবু চাওখৎননবা হোৎনজবশিংগী মনুংদা বাংলাদেশকী মণিপুরীশিং অসি অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লমদম অসিগী সাহিত্য পরিষদকী, সাহিত্যগী থৌরম পাঙথোকপদা, সাহিত্যবু অমদি বাংলাদেশতা লৈরিবা ঈগী মরী ইচীল ইনাউশিংবু নুংশিবগী লীচিংতনা খোঙফম চেৎনা খোঙদারুই।

১. এপ্রিল ১৯৯১ দা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী ১৬ শুবা মীফমদা শরুক য়ারুবদা সংসদনা পীরকপা অভিনন্দন পত্রদা অসুম্না ইরি:

ASSAM UNIVERSITY LIBRARY
Accession No. TH 1091
Date of ... 1/4/2013

*ওজা নীলবীর শর্ম্ম শাস্ত্রী (বাংলা)গী তম্পাক্তা খোঙদাবীরকপদা*

*ঐখোয়গী থম্মোয়গী ৱাহৈ খরা*

***হে অতিথি,***

*বসন্তগী নামিবা মলয়ানা লিরি হুন্নকপা*

*কোকিলগী 'খোঞ্জেলনা মীওই' পুন্নগী থম্মোয়বু লাংতক্লহনবা প্রকৃতিনা থোৎনা নৌনা ফজরবা ক্ষেনফম 'সিদা বাংলাগী মণিপুরীশিংবু নুংশিবীদুনা নঙনা লেংবিরকপদা ঐখোয়না করি পিনিংঙাই লৈ নুংশিবা নত্তনা, লৌশিনবিয়ু ঐখোয়গী থম্মোয়গী শেংলবা নুংশিবা।*

***হে অথোয়বা,***

*চাওখৎলবা মণিপুরী সাহিত্যগী ঈচেলদগী থাপতোকখ্রবা বাংলাগী মণিপুরীশিংনা নঙগুম্না গুনী অমগীদমক খৌরাংনা ঙাইজখি চহি কয়া*

*অদুনা নঙবু ফংজবদা হরাওজৈ পেঞ্জখি থম্মোয়, নঙগী জয় ওইসনু মণিপুরী সাহিত্যগী চাওখৎপা ওইসনু।*

*তারিখ: কমলগঞ্জ বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ*

*৪ এপ্রিল ১৯৯১ কমলগঞ্জ মশা ফুরূপকী সদস্য/সদস্যশিং*

ইং ১৯৯৭ তা বাংলাদেশকী সাহিত্য সংসদকী ২২ শুবা মীফমদা লাকপীনবা বার্তন তৌরক্তুনা **নীলবীর শাস্ত্রী, নীলকান্ত সিংহ অমদি থোকচোম ইবোহনবী** পূন্না মীফম অদূ শরুক য়াবা চৎখি। ইবোহনবীগী **বঙ্গঁবন্ধুগী লৈবাক্তা** হায়বা লমকোয় ৱারীগী লাইরিক অসিদা বাংলাদেশ খোঙচৎকীদমক তৌরকপা বার্ত্তনদা অসুম্না ইরি:

*"বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী ২২ শুবা চহীগী মীফম ফেব্রুৱারীগী অরোইবা নৎত্রগা মার্চকী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্ল বা শীল্লাংজরি। মীফমসিদা শরুক য়াবিরনবা ওজাগী লুচিং মখাদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী মায়কৈদগী মীওই অনী অহুমদংগী মীহুৎ অম বাংলাদেশত লেঙবীরক্লবা বার্ত্তন তৌজরি।... খোঙবুদি নীলবীর শাস্ত্রী অমসুং এলাংবম নীলকান্ত।"*[১]

## নীলবীর শাস্ত্রীগী লুচিং মখাদা চৎলুবা মপাল লমগী খোঙচৎ খরা:

খোঙচৎ অসিগীদমক্তা বাংলাদেশকী মণিপুরী সাহিত্য সংসদনা পীরকপা অভিনন্দন পত্রদা অসুম্না ইরি:

*বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী বার্ত্তোন মতুংইন্না মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী সভাপতি শ্রী এস নীলবীর শাস্ত্রীগী লুচিং মখাদা লেঙবিরকপা মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি সাহিত্যকার অহুমগী বিদায়গী মতমদা থম্মোয়গী শেংলবা নুংশি ৱাহৈ খরদং:*

***মৈতৈ ইমাগী মতীক চারব মপারিশিং:***

*ইতিহাসকী শুক্লবা তাঙ্কক অমদা মতমগী তমথীরবা নোংলৈ-নুংশীৎ অমনা মমাগী মশাইগোন্দগী হুমদুনা পুবিরকখিবা বাংলাগী মরাইবক থীরবা মণিপুরীশিংনা, মমা কায়নরবা মচানা মমাবুতা খৌরাংনা ঙাইবগুম ঙাইজখি হৌরকফম লমদমগী পলেম পল্থৌ শক্লবা কনাগুম্বা অমা পারি খোঙগুল হায়না থম্মোয়গী ঈখৌ লাংবা মক্তা লোয়ননা। ঙসিদগী চহী তরামুক্কী মমাংদা খৃষ্টকুম ১৯৮১ দা অহানবা ওইনা লেঙলকখি ওজা গুরু মরী খোঙগুন লীবিরকখি*

---

[১] ইবোহনবী সিংহ, থোকচোম, ২০০২, '**বঙ্গঁবন্ধুগী লৈবাক্তা**, ইম্ফাল, থোকচোম খেলেন সিংহ, লা: ১২

ঐখোয়বু। মদুদগী খোঙচৎতুদা য়াবীরকখিবা কবি অমসুং পণ্ডিত শ্রী এস নীলবীর শাস্ত্রীনা ঙসি অমুক মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী সভাপতি ওইনা মীওই অহুমগী মীহুৎ লুচিংবিদুনা বাংলাগী শংবানরবা তম্পাক্তা নাইতোম তাদুনা লৈজরিবা মৈতৈ ইমাগী মপারি ঐখোয়বু নৌহৌনা থিগৎপিরকপসিদা নুংশিবগী ঈচেল হরাউ নুংঙাইগী পিরাংনা থুমহৎখি। ওজা শ্রী এস নীলবীর শাস্ত্রী অমসুং মহাক্কা লোয়ননা লেঙবিরকইবা ওজা কবি এলাংবম নীলকান্ত সিংহ অমসুং ডা: তি ঐচ ইবোহনবী সিংহবু ঐখোয়না কোক নোন্না খুরুমজরি অদুবু লাইবক থীবদি মতমগী কাংগ্রোংদি লেপ্তুনা ওনবনিনা হরাউ নুংঙাইগী চয়োলমুক্কী তেনখ্রবা মতম লোইখিদুনা ঙসি নুংশিজরবা ওজা অহুমগা কায়নবগী মতম মুক য়ৌশিল্লক্লে খঙঙি, কায়নবসিনা অরোইবা নত্তে মসিমসু খঙখি হকচাং কয়াৎনা থাপ্পা লৈজরবসু থম্মোয়গী নক্লা নুংশিবদি ময়েং তারোই। অদুমক্তদা কায়নবগী কল্লবা চৈনাখোলনা থারকপদা থোৎল-নৌরবা থম্মোয়গী থাজদা অৱাবগী হুমাং চনপ্লী কারকখি - মীৎলুগী শংবানরবা অতিয়াদগী শীন্থরকখি অতৎ-অখম নাইদ্রবা পিরাংগী নোংজু।

### মৈতৈ ইমাগী অচানবা মপারিশিং

নুংশিবগী মমলদি নুংশিবতনি থম্মোয়গী লম্বাদি থম্মোয়নি। কঙাওনখিদুনা হৈত হৈত খঙদ খঙদনা ওইরবসু অথুপ্পা লৈত্রবা থম্মোয়গী শেংলবা নুংশিবতনা পাম্বৈ ওইদুনা ওজাখোয়বু তরাম্না ওকচবগীদমক থম্মোয়গী থোঙজাউ পূম্বা লাউনা হাংদোকচখি। ঐখোয়গী হোৎনজবদা অৱাৎপা কয়া শিল্লংজবদা অশোয়বা কয়া য়াওরম্বা পুন্নমক ওজাখোয়গী অতিয়াগুম শন্দোক্লবা ঙাকপিহৈবা থম্মোয়না ঙাকপিগনি অশা থমজরি। ঐখোয়বুসু আশীবাদ তৌবীরম্মু

*মীতোপ মীরমলেন'সিদা অতোপ্পা লোন সংস্কৃতিগী অরংবা মৈঙাল্লক্তা মতম পুন্বদা লানথেংনদুনা হিংলিবা বংলাগী মণিপুরীশিং মণিপুরী অমা ওইনা য়াম্না মখৌ পোঙনা মায় পাক্লা হিংজগে। অদুগা ইমা লৈপাক্কী অচানবা মপারীশিং, অহল-লমন ময়াম্বু কোক নোনবা ৱাহৈনা থম্মোয়গী শেংলবা শ্রাদ্ধা অমসুং নুংশিবা খঙহঞ্জরি পাউজেল 'সিমতং ওজাখোয়না পুবিখো।*

*য়াইফব ওইসনু ওজাখোয়গী অতৈসু মপূং মরৈ ফাবা ওইসনু মণিপুরী জাতি অমসুং লোন সাহিত্য সংস্কৃতিগী লেপ্নাইদ্রবা চাওখৎ খোঙথাং।*

*তারিখ, সিলেট*
*এপ্রিলগী তাং ৭, ১৯৯৭*

*নোল্লুকচবা*
*বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সদস্যাশিং*

বাংলাদেশখক্তা নত্তনা মণিপুরগী মপান্দা ত্রিপুরা, হোজাই, গুৱাহাটি অমদি কছাড়গী মফমশিংদা চৎতুনা মণিপুরী সাহিত্যগী চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াখি।

অসুম্না নীলবীর শাস্ত্রীনা মণিপুরী সাহিত্যদা তৌরম্বা দানশিংগীদমক্তা অমদি সমাজগী, সাহিত্যগী থবকশিংদা শরুক য়ারম্বগীদমক্তা ইকায়খুম্নবগী এৱার্ড অমদি উপাধি কয়া পীদুনা মহাক্কী মগুণশিংবু শীংথানখি।

নীলবীর শাস্ত্রী সাহিত্যবু নুংশিজবা অমদি মরৈবাক মজাতিগীদমক্তা খঞ্জবা, হোৎনবা কনবা, লাইরিক হায়বসি মহাক্লা হেক পোকচবা মচাগুম্না খঞ্জবা কবিনি। মণিপুরী

সাহিত্যদা অচৌবা দান তৌরম্বগা লোয়ননা সংস্থান কয়াগা খূৎশম্নদুনা মীয়ামগীদমক্তা কৎথোকপগা লোয়ননা অৱা-অনা থিদনা থবক কয়া পাঙথোকখি। কবিদি থবক্কী মীনি, কর্ম্মিনি, সমাজ সেবক্নি। মহাক্কী পুন্সী ওজা অমা ওইনা হৌরক্লগা ওজা অমা ওইনা পুন্সী লোমখি। সাহিত্যবু পামজবা অমদি পুন্সীগী অরোইবা শরুক ফাওবদা পামজবা লম্বীসি থাদোকখিদে। কবিগী পুন্সীনা লোমখ্রবসু মিংচৎতি মণিপুরী সাহিত্যনা হেক লৈরিবমখৈ মূৎনাইররোই। 'কবিরত্ন' হায়বা উপাধি অসিনা কবিগী পুন্সীদা তৌরকপা সাহিত্যগী মশক তাকপা ওইনা তুংগী মীরোলনসু খঙনহৌরনি।